# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-12

**(Human Influences : Carbon Emission)**

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১)ইবোপিশক (তোমপোক্কী মপা) (২) চীংলেম্বা (হেল্‌থ এন্দ সেফটি ওফিসার) (৩) তোমপোক (পাখং)

নুপীঃ- (১) লৈরিকমচা (তোমপোক্কী মমা)
(২) লাংলেনসনা (চীংলেম্বগী নুপী)

(মফমঃ- ইবোপিশক্কী য়ুম, মতমঃ নুমিদাং, হুইনা লাক্লা লাক্লা খোঙবগী মখোল)

ইবোপিশক :- লৈরিকমচা ! নঙবু চাক থোংবদুবু লোইরব্রা?

লৈরিকমচা :- চাক থোংববুদি কুইরে লোইবা, চাক লাম্লব্রো? নচানুপা তোম্পোক হঞ্জিল্লক্তবদুদা ঙহাক ঙাইখিসিরা হায়দুনা তৌবনি।

ইবোপিশক :- চাক লাম্বী ৱা নৎতেদা, নুমিদাং থেংল ফাওবসিদা মানা য়ুমদা হঞ্জিল্লকত্রিবসিবু কদায়দা চৎকনি হায়রমগে, কনা কনাগা চৎমিন্নখিগে।

লৈরিকমচা :- ঙসাই অয়ুক হোবে হোবে নংহৌররোই মতাগুম চাক খরা চারগা থোকখিবনি, হংবদসু নীংথি নুংঙাইনা খুল্লমদে, মী উন্নরুনি হায়বরা করিনো গ্যান মেনগা অমতা তাশিল্লক্রে ঐদি, ঙসাইদগী ফোন তৌবনি সুংপাই হেক পাইদে, করি তৌরবনো খঙদে ঐদি পাখৎপনা লোইরবনি।

ইবোপিশক :- মাগী মমান্নবা কনা কনানো খরা তোয়না চৎমিন্নবা কাংবুংশিংদুদসু ফোনদু অমুক্তা তৌরগা হংঙুদনা।

লৈরিকমচা :- মোয়বাবাসু ফোনদু তৌরগা অমুক্তা হংবিয়ুদনা ঐঙোন্দদা অদুম হায়দৌ শরুক (শাওরপ হায়বা)।

ইবোপিশক :- মসি নুপীসিদি, মমান্নবশিংগী ফোন নম্বরশিংদুদি ঐদি অমতসু খঙদে, নঙনা নচানুপাগী মমান্নবশিং অদুগদি খরা হেন্না লোয়নৈদনা অদুনা নঙদি খঙলমগনি ফোনদু খরা তৌ হায়বগী ৱানি।

লৈরিকমচা :- হো ঙসাইনা মখোয় লোয়নমক্তা তৌরবনি কনামতা ফোন পাইরক্তে।

ইবোপিশক :- অদু ঙসাইনা ফজনা অদুম খুম্বদি কৈদৌই, ৱা অমতা ফজনা মেন তানা ঙাংনবা য়াদবা নুপীসিবু করম্বা নুপীনো খঙদেনে।

লৈরিকমচা :- নচানুপা হঞ্জিল্লক্তুগা ঐঙোন্দা শাওবিরিনে, হোরেল নচানুপা লাকঅকান্দদি চৈ ঙাংবগী মহুৎতা ইতে হেক্তা তেথখিনি।

ইবোপিশক :- নঙ ঙসিনে চবেং চবেং ঙাংবরা হায়ববু ঐগী মচীং অরাংবীদু হৌরকঅদি খুৎপাক চাদুনা তোকচনি।

লৈরিকমচা :- হরে নোকতুম নোকচনিংঙি, নচানুপা করি তৌরি, কদাইদা চৎলি, কনাগা তিন্নরি য়েংশিনগে, থিজিনগেদি হায়বিদ্রগা ঐঙোন্দা শাওবিরিনে।

তোম্পোক :- (চংঙকপা) ইমা... বাবা... কৈদৌরগে নুমিদাংসিদা য়ৌয়া য়ৌয়া অমুক খৎনদুনা লৈরন্মীসিবো?

ইবোপিশক :- হায় নঙ কদায়দা চৎলুই, অসুক থেংলফাওবা, নঙ হল্লক্তবগীনি নমাগা ঐগা নিংঙাই শংদানরল্লিবসি।

তোম্পোক : (নোকপা) অদুগী ওইরে ইমাগা বাবাগা শাওনরল্লিবসে।

লৈরিকমচা :- মীনা হায়রগা ময়া ইখি খিগৎতুনা নোক্লিনে, চৎথোকখ্রগা যুমদা হঞ্জিল্লকনি খঙদবা, ইমা-ইপা ৱারমগনি, পাখৎলমগনি হায়বসু খন্দবা নঙগী হাক্তকসিদা ঐসে ঙাওদুনা চৎকদৌরিপোৎনি।

ইবোপিশক :- হায়সু হায়বনি ইবুংঙো, যুমদা লৈহৌরিবা নমা-নপা ঐখোয়গীসু খরা মখল্লু, ঐখোয়গীদি নঙগা নচেগা নখোয় অনিতনি পোকচরিবা, নখোয় শোয়খিগদরা খনবদা ৱাজরিবনি ঐখোয়দি।

লৈরিকমচা :- ইচানুপা অমগা ইচানুপী অমখক্তংগা পোকচবসিদা অসুক ৱারবসিদি, মরি মঙাগা পোকঅন্মদি কমদৌনি, ইচানুপী লাংলেনসনাসু উদবা কুইরে, মৱা মপাওসু তাদবা ফনা কুইরে, হন্দক্তি কৈদৌরবনো খঙদে ফোন ফাওবা সুংতৌ তৌরকখিদরে, সিদা মমা-মপা লৈহৌরিকা লোয়না কাওখ্রমাল্লে।

তোম্পোক :- ফরেসে ইমা তোকওসে, ঐ হয়েংখৈ থেংনগা অমতা হঞ্জিজরকঅরোই, ঐসু থবক খরা তৌসিরা খন্দুনা ইমান্নবশিংগা মীতিং অমা তৌরুবনি অদুদা খরা থেংদোকখিবনি, ইচেগা ইবাইগসু ইন্দিয়ান ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স, বেঙ্গলোরদা পোষ্ট অচৌবা অমমম পায়দুনা থবক তৌরিবনিনা মখোয়সু শংদদুনা তৌবা ওইরমগনি, হয়েং অয়ুক ফোন তৌরগা ৱারী শান্নরসি। সে শাওরনু হায়বা, ঐ লাঞ্জরে হায়বা, চাক লাম্বনসু লোইরে, ইমাগা বাবাগবু চাক চারবো।

ইবোপিশক :- চাদ্রি, নঙ লাকপা ঙাইরল্লিবনি ঐখোয় পুন্না চামিন্ননবা হায়দুনা।

লৈরিকমচা :- লাকও লাকও চাক চাথোক্লুরসি লাকও, মোয়বাবাসু লাকপিরো।

ইবোপিশক :- হোয় হোয় চাথোক্লসি, থেংখরে পুংশি আ য়ৌখ্রবনি।

-ম্যুজিক-

(মফম: বেঙ্গলোর, মতম:- অয়ুক, উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেল)

লাংলেনসনা :- তামো... তামো... সে তারবরো, মীৎ শীংঙো হায়বা, সে হৌগৎলো, হৌগৎলো হায়বা।

চীংলেম্বা :- কৈদৌরগে লাংলেনসনা, নঙবু ঙহাক্তা লাংখিনু কৈদৌগে, ঙহাক্তা তুমখিগে, তুমশিৎ ফাদরি।

লাংলেনসনা :- ঙল্লিঙৈদা লোন (Lawn) দা ঙহাক্তং কোইচৎ চৎতুনা অশেংবা নুংশিৎ নুংশা মরক্তা ইসাসে ঙহাক্তংদা ওইরসু তেকখৎহল্লুসি হায়বনিদা।

চীংলেম্বা :- অদো ঙসিদি নঙ নতোমতা অদুম চৎলুরো, ঐ অমুক্তা তুমহৌখিগে, ঙহাক লৈরদি থবক কাবা মতম ওইশিল্লকঅনি।

লাংলেনসনা :- অদুম তুমশিন্দুনা লৈরদি হকচাংসু ফররোই, বুদ্ধি লৌশিংগা লোয়না ফকচিল্লনি। সে হৌগৎলো হায়বনি, হেক চীংখৎত্রিমখৈ য়াররোইদবনি, খঙনিদনা.... সে... সে.... হায়বা।

চীংলেম্বা :- এ ... এ... ঙাইখো হায়বনি লাংলেনসনা, খুৎকাসে লোয়না তেকপা তারে, অমুক্তা ঙাইখো হায়বনি...।

লাংলেনসনা :- অদুদি কোক হৌগৎলোদনা ... সে হৌগৎলো।

চীংলেম্বা :- হৌদা হৌগৎচরগে, লাকও লাকও চৎসি লাকও, লোন (Lawn) দা কোইচৎ চৎতুনা শান্নরুসি হায়বা নৎতরো।

লাংলেনসনা :- উম চৎসি লাকও, ঙহাক লৈরদি হৱাগাড়ী ময়াম্না শোরোকসে কৃক কৃক ইন্নরকঅনি, গাড়ীশিংদগী থাদোরকপা ফৎত্রবা হু চেল্লবা গ্যাসশিংনা এটমোস্ফিয়ার অসিদা অঙকপা ফংনা থাদোরকঅনি।

চীংলেম্বা :- উম, মীশিং হেনগৎলকপা, সহরদা মফম কয়াদগী লাক্কুনা লৈরবা মীগী মীশিংসু অসুম অসুম নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপা, লৈননবা য়ুম-কৈ, ইন্দষ্ট্রি, স্কুল, হোস্পিটালগী মশিং হেনগৎলকপা অসিদসু নৎতনা মীপুম খুদিংমক মশা-মশাগী গাড়ী অমমম তোংদুনা চৎনরকপা মরম ময়ামসিদগী কার্বোন থাদোরকপগী চাংসু অসুম অসুম হেনগৎলক্লি।

লাংলেনসনা :- তামো ! ঐখোয়না বেঙ্গলোরসিদা থবক তৌদ্রিঙৈগী মমাং চহি মরি মঙামুক্কী মতমদা ওইরম্বা বেঙ্গলোর সিটিগী মওং মতৌদুগদি হৌজিক্কদি য়াম্না খেন্নরেকো।

চীংলেম্বা :- উম খেন্নরে, গাড়ী মশিং খঙহেন হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা গাড়ীশিংদগী থাদোরকপা হাইড্রোকার্বোন, নাইট্রোজেন ওক্সাইদ, কার্বোন মোনোওক্সাইদ, সলফর দাইওক্সাইদ, কার্বোন দাইওক্সাইদ, ৱাটর ভেপরনচিংবা গ্রিন হাউস গ্যাসশিং অসিনা এটমোস্ফিয়ারদা তিনশিনখিদুনা ইয়র পোল্লুসন থোকহনবতা নত্তনা গ্লোবেল ৱার্মিংসু থোকহল্লিবনি, মরম অসিদগী ক্লাইমেট চেঞ্জ ওইরক্লিবনি।

| | | |
|---|---|---|
| লাংলেনসনা | :- | ভারতকী মনুংদা তরু তনানবা সিটিশিংগী মনুংদা মতম অমদা মকোক থোংনা লৈরল্লবসু হৌজিক্তি বেঙ্গলোর সিটি হান্নগা য়াম্না খেন্নরে, ইয়র পোল্লুসন থোক্লে, পুম্নমকসে ঐখোয় মীওইবনা থোকহনবনিকো। |
| চীংলেম্বা | :- | মসি ৱাসি তোক্লসিদা, ঐখোয় অনিনা সিদা খন্নরগা করিসু সোলুসন পুরকপা ঙম্লোই, ময়াম পুন্না পুল্লপ গ্যান তামিন্নদুনা হোৎনমিন্নবা তাই, ঙাইখোনে ঐখোয়বু ইমা বাবাদুবু হন্দক্তি ফোন ফাও তৌদুনা করম তৌরি ফাওবা হংবিদরে, ফোনদু অমুক্তবু তৌখিগে। |
| লাংলেনসনা | :- | হোয়নে, কুইরে, ঐসু ফোন তৌদবা,ইমানা শোয়দনা ৱারৌরল্লগনি, তামো ফোনদু অমুক্তা দাইল তৌবিয়ু। |
| চীংলেম্বা | :- | (ফোন কি পেদ নম্বা) ইমাদা ওইনা হেক্তা তৌরগে। |
| লৈরিকমচা | :- | (ফোন রিং লাকপা) হায়মা সিদি ঐখোয় চীংলেম্বনিনে... হল্লো ... ইবুংঙো... চীংলেম্বা নোয়বু কৈদৌরগে ঐখোয়গসে অমতা নীংশিংদ্রবরো, ইমাসু নোয় ফোন তৌমল্লক্তরে হায়দুনা ফোন তৌগে খল্লল্লিবনিনে, নোয়বু হৌজিকপু কৈদৌরিগে, লাংলেনসনাদি। |
| চীংলেম্বা | :- | ইমা ঐখোয়সু থবক অমমুক তৌ অমমুক তৌ, তাঞ্জা অমা হেক চাদদুনা হন্দকসে ফোন কয়া তৌবা ঙমজহৌদরে, হৌজিকপুদি লাংলেনসনা ইবানি ঐখোয়না লৈরিবা ফ্লেটতুগী হেক মমাংদা লোন (Lawn) অমা লৈয়ে অদুদা ঙহাক ৱাক্কিং সুম চৎলিয়ে। |
| লৈরিকমচা | :- | নপানসু নোয়বুতা শোন্দুনা লৈরবনি, লাংলেনসনাদু ফোন অমুক্তা পাইহল্লকউদনা। |
| চীংলেম্বা | :- | হোয় ইমা... সে ইমানা ফোন পায়রকউ হায়য়ে। |
| লাংলেনসনা | :- | হল্লো ... ইমা ... ইমাহোয় বাবাহোয় অনা অয়েক য়াওদেকো, ঐখোয় তোম্পোক্পা কমদৌরিগে। |
| লৈরিকমচা | :- | আ.... অনা অয়েকপুদি য়াওদে অদুবু ইবেম্মা নখোয়সু খরা খিৎতি হাকমল্লেকো, নমা কমদৌরমগনি, নপা কমদৌরমগনি, নৌপ্পানা করি তৌরমগনিকাসে করিমতা হেক খন্দবমাল্লে, নোয়না থোকপা পংলৈদা লৈথোকপা ঙম্মী (খরা ৱারৌনা হায়বা)। |
| লাংলেনসনা | :- | ইমা ! নিংশিংদবা, খন্দবা নৎতেয়ে, হন্দক্তো থবক খরা চিনবা অদুনা মেন তানা ফজনা ফোন তৌনবা মতম ফংদদুনা তৌবনে, ঐখোয় বাবাগা তোম্পোক্কবু লৈবরো। |
| লৈরিকমচা | :- | নপাদি ৱাক্কিং চৎখিবদগী হঞ্জিলকত্রি, তোম্পোকসু হৌজিক্তা লৈরম্বনি কদোমদা অমুক চৎখ্রবনো খঙহৌদরে। অদো ইবেম্মা নোয়বু য়ুমদা থোরক্তবা চহি অনিমকু শুজিল্লকএ, হন্দক্তি চীংলেম্বা নবানি থোকলক্তবা য়ারোই, নৌপ্পা তোম্পোক্কী থবক্কী মরমদা খন্নগদবা তান্নগদবা মরম য়াম্না লৈরে, ঐখোয় খক্তনদি ৱারেপ লৌবা ঙমদরে অদুনা নবানি য়াম থুনা অমুক্তা য়ুমদা লাকও। |
| লাংলেন | :- | হোয় ইমা ঐখোয় লাক্লবা তৌগে, তামোগসু অমুক্তা খন্নরকখিগে, থম্মগে। |
| লৈরিকমচা | :- | হোয় হোয় ফরে ফরে, থম্মো থম্মো। |

চীংলেম্বা :- ইমানা ঐখোয় থুনা লাকউ হায়রিদুবো করিগীনো?

লাংলেনসনা :- ঐখোয় তোম্পোক্না করি থবক তৌগে হায়রিবনো খঙদে, ঐখোয়গা তান্নগদবা য়াম্না লৈ অদুনা ঐখোয় থুনা লাকউ হায়রিবনি।

চীংলেম্বা :- অদুদি খরা থুনা চৎনবা তৌরসি, য়ুমদা থোক্তবসু য়াম্না কুইরে।

লাংলেনসনা :- হোয়, ঐসু য়ুমদা চৎনিংবা কুইরবনি, ফরে তান চারিঙৈসিদা চৎহৌরসি।

চীংলেম্বা :- উম ! ঐ পুম্নমক শিল্লগে চৎননবা।

-ম্যুজিক-

(মফম:- ইবোপিশক্কী য়ুম, মতম:- অঙনবা অয়ুক, উচেক ৰায়াগী খোঞ্জেল)

ইবোপিশক :- মনামশিংনা মরোল অমা তাংলিবা, বাজারনে হায়দুনা তৌরিবদুনা মীগী মী ঙাক্তা, গাড়ীনা মরোল অমা কৃক কৃক হেক ইন্নে, খোঙথাফম ফাওবা হেক লৈতে, পোৎয়োনবীনা মরোল অমা শোরোক ময়াই ফাওবা য়ৌরকইনে মোয়গী মপোৎ মচৈ য়োন্ননবা থারিবশিং অদুবো, কনাগী ফুট পাথ ফাওবা পোৎয়োনবীগী পোৎয়োনবী ঙাক্তা, থানানা মরোল অমা কোইতান তান্দুনা মপোৎ মচৈ হৈদোকপিরিবা, ওন্থোকপা কুম্মৈনি বাজারসিদা তৌরিবসে, হীংনবগী লানফমসিদা মীওই খুদিংমকসে লান্থেংনরিবনি।

লৈরিকমচা :- কৈনো ৰাঙ্কিং চৎপবু অসুম কুইবিরকইসিবো, অদুগা অমুক মুরুম মুরুম শোনবিরিদুনা করিগীনো?

ইবোপিশক :- কৈসু নৎতেদা, ৰাঙ্কিং হল্লকপদা বাজার পোৎলক ফাওদুনা হেক হল্লকএ, বাজারদুদা তৌহৌরিবা ময়ামদো সুম খল্লুবনিদা, সে সে করি করিনো অউ অউবা এঙ্গাংনাপী পংলৈদা হেক লৈশিল্লকঅবনি , ঐখোয়গীদি নোংমা হেক লৈহৌদবদা নিনি সুবদদি চানিংঙাই হেক্তা লৈতেদো।

লৈরিকমচা :- ঐখোয়না লৈরিবা মফমসিদি সহর হেক ময়োলনি, বাজার ময়ানি, এঙ্গাং-নাপী থাফমদি লাইরদনা য়ুম্না কৃক কৃক ইন্নবা মফমনি অদুনা ঐখোয়গী আ লোয়ালমগী ইংখোলদুদা ইংনা চীক্না লৈরুরসি হায়বসু হেক য়াবিদেদো, ইংখোলদুগা হেক তাইননা ঐখোয়গী লৌফমসু অদুম লৈরে, মদুদা তৌবা য়াবা করি করিনো খরা তৌরুরসি।

তোম্পোক :- ইমা-বাবা, ঙসিদি ঐ কৈনোমতা হায়গে, য়াদবা য়ারোই হায়রিসিনি।

ইবোপিশক :- কৈনো তোম্পোক নঙনা হৌজিক্তা হোবে হোবে নংহৌররোই মতাগুম চংলক্লগা করিনোমা হায়গে য়াদবা য়ারোই হাযরিসিবো, করি ৰানোনে নঙনা হায়নিংলিবো, য়াগদবা ৰা ওইরগনা য়ারে, য়ারোইদবা ৰা ওইরগনা হেক য়াদ্রেদনা।

লৈরিকমচা :- কৈনো নঙনা হায়নিংবদো কোক হেক হায়রোদনা।

তোম্পোক :- ইমা-বাবা, ঐ থবক অমতা তৌদনা সুম কোইঙাওনদুনা লৈবসে নুংঙাইরক্তরে, ঐসু ঐনা তৌবা য়াবা থবক তৌরগে হায়বনিদা।

ইবোপিশক :- এ ! অদুদি য়াম্না ফবা ৱানিনা, ইচা তোম্পোক গ্যান তারক্লে, ইপা নুংঙাইরে।

লৈরিকমচা :- নঙদি সরকারগী থবক তৌরোই হায়দুনা শিখাঙ খাঙদুনা অসুক কুইবসে লৈরকপনি, করি থবক্লো নঙনা তৌগে হায়রিবো।

তোম্পোক :- ইমা ! ঐখোয়গী লোয়ালমদা লৈরিবা ইংখোলগা লৌগা পুনশিল্লগা লৌ পরি কয়ামুক্তি ওইগনি।

লৈরিকমচা :- ইমা চপ চাবদি খঙদরে, লৌ পরি ১৫মুক্তি ওইগদরা মোয় বাবা।

ইবোপিশক :- উম অদুমুক ওইরমগনি, ফজনা ওন্থোক্লগা চপ চাবা খঙগনি, করিগীনো নঙনা ইংখোলগী মরমদা হংলিববো।

তোম্পোক :- বাবা ! ঐখোয় লৌফমদুদা ব্রিক ফার্ম তৌরসি, হৌজিক হৌজিক ঐখোয় লমসিদা চাওরা চাওরবা য়ুম-কৈ য়াম্না শানরকপনা মরম ওইরগা চেক্কী দরকারসু য়াম্না হেন্না লৈরকঅবনে অদুনা চেক্কোন তৌরবদি পৈশাসু য়াম্না ফংলনি, চেক্কী অৱাৎপসু মেনখৎপা ঙম্লনি। ঐখোয়গী লৌফমশিংসে লৌ খরা খরা উনরগা কান্নফম খঙদনা লৈরিবসে কান্নফমসু খঙলদবনি।

লৈরিকমচা :- কৈনোনে ইবুংঙো নঙনা হায়রিবদুবো, চেক্কোন অমা শেমগৎ শাগৎপবু অরাইবা থবকসু নৎতনা তহা তহা হেক্তা তৌবা য়াবা নৎতে। নচেগা নবায়গসু য়ুমদা থোরক্কনি হায়বনি, মখোয় লাক্লগা ফজনা মেন তানা খন্নখিসি।

তোম্পোক :- ঐনা লোয়না শিন লাংদুনা লোইরবনি, বেঙ্কনসু লোন পীরগে হায়রবনি।

ইবোপিশক :- (তপ্লপনা গ্যান তানা) ইপাগী তোম্পোক ইচানা তৌগে হায়রিবা থবক অদু য়াম্না ফৈ, ইপা পামদেদি হায়দেকো অদুবু তোম্পোক ঐখোয়গী ইরমসিদা হান্নদগী চেক্কোন ময়াম অমা লৈরে, চেক্কোনশিংদগী থাদোরকপা ফৎত্রবা গ্যাসশিং, অমোৎ-অকাই, উফুল-ৱাইফুলশিংনা অকোয়বগী নুংশিৎ শেংহল্লক্তনবা অমদি মনাক অনকপদা লৈরিবা মীওইবশিংদা লায়না কয়া থোকহনলক্লবা মরম অমসু ওইরিবনিকো। ইনভাইরোন্টমেন্ট অমদি হ্যুমেন হেল্থতসু অকায়বা থোকহন্দবা ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা থবক কয়া অমসু লৈরিকো অদুনা নচেগা নবাইগগী অপাম্বসু খঙদোকখিসি, মখোয়গসু ফজনা মেন তানা খন্নখিসি, ঐখোয়দগীদি মখোয়না হীরম অসিদদি হেন্না খঙলনিকো, তহা তহা তৌবা য়াবা নৎতে।

তোম্পোক :- ঐনবু হায়রদি নোয়দি অমা হেক্তা হায়রক্কনি, নোংমতা ঐনা হায়বদা হরাও হরাও য়াবিদে, ঐ চৎলে ঐসু ঐনা থোকপা তৌজখ্রগে (শাওনা চৎখিবা)।

লৈরিকমচা :- হায় তোম্পোক ঙায়খোনে নঙবো, অমুক্তা শাওগৎখিনুনে, চৎখিনুনে নঙবো।

তোম্পোক :- খঙদে খঙদে নোয়না থোকপা অদুম তৌজহৌরো (লাওরম্বা)।

ইবোপিশক :- ওন্থোকপা অঙাংনিদকো, করম থোক্লগবা মসিবো ।

-ম্যুজিক-

(মফম: ইয়ারপোর্ট, মীয়াম লাংবগী খোঞ্জেল, প্লেন লেন্দিং তৌরকপগী মখোল)

চীংলেম্বা :- ইমাগা-বাবাগা ঐখোয় ওকপা লাক্কনি হায়বদাই, কদোমদা লৈখ্রজাৎনোনে, উদেনে।

লাংলেনসনা :- ঐ ফোন তৌরগা হংগে, লাকত্রবরা খঙদে, স্বাইদদি লৈবা উদে।

লৈরিকমচা :- ইবেম্মা! ঐখোয় সোমদা লৈরে, লাকও শোমদা গাড়ী লৈরে।

ইবোপিশক :- ইহে তাদ্রবা মাল্লে, চীংলেম্বা ... লাংলেনসনা ... নমাগা ঐগা সিদা গাড়ী খাম্মীবসিগী মনাক্তা লৈরে লাকওনে।

লাংলেনসনা :- এ! ইমাগা ... বাবাগদি আদা লৈরে লাকও চৎলসি।

চীংলেম্বা :- সে বেগ সিমা নঙ পাইরোসে, সিনা ঐ পায়রক্লগে।

ইবোপিশক :- লাকও লাকও গাড়ীদা কাখৎলো চৎশি লাকও (গাড়ীগী থোঙ হাঙবগী মখোল, গাড়ী থৌখিবা)।

চীংলেম্বা :- (গাড়ী থৌবগী মখোল, গাড়ী অমগা অমগা থৈনবগী মওং) চহি অমা অনিদং লাক্তবসিদা ঐখোয় স্বাইসিসু য়াম্না হোংলল্লে, গাড়ী মশিংসু য়াম্না হেনগৎলে, লম্বীসে গাড়ীগী গাড়ী ঙাক্তা, খোঙনা চৎপা মীদগীদি গাড়ী মশিংনা হেনলল্লনিবো।

লাংলেনসনা :- ইস! লম্বীসু চীনবনা লোইরে, বাবা গাড়ীদু তপ্পা য়েংঙগা থৌও, থাইনা পাঙ্গল কল্লিঙৈ মতমগী গাড়ী খুৎথৌদু হৌজিক অহল ওইশিল্লকঅকানসিদদি য়াপোৎ নত্তে, ঐখোয় তোম্পোক ওইনা লাকহনবা য়াদরো, বাবাগা ইমাগা ৰানবা কৈদৌনা লাকইনো।

লৈরিকমচা :- কদাইদগী কদাইদগী, থবক চীনখ্রবজাৎনি নোয় নৌপ্পাদি ঙহাক্তা ফাওবা শঙদে, অদু তৌরিবনি আদা তৌরিবনি, ইস ঙাংনবকা ঙমজপোৎ নত্তে। নোং ফুং ঙানবদগী থোকখিবদুনা নুমিৎ তারগা হঞ্জিল্লকপগা য়াওরিপোৎনি।

চীংলেম্বা :- ঐখোয়সু মীরমদা থবক তৌদুনা লৈরে মানা খরা য়েংশিনগদরা হায়রগা, করিগীনো মানা কোইচৎ চৎতুনা লৈরিবো, মাগীসু মথৌ অমা তৌহন্দবা য়াদরে।

ইবোপিশক :- ঐখোয়না নখোয়বু সিদা কৌরিবসে মাগী থবক্কী মরমদা খন্নবা থওইনা কৌরিবনিনে।

লাংলেনসনা :- মাসু অঙাং নৎলক্তরে, ময়ুম-মকৈ পানবা য়াবগী মতমসু ওইশিল্লক্লে অদুনা হন্দক ঐখোয়না লাকইঙৈসিদা মাগী চপ চাবা মওং অমা, ফীভম অমা তানবা, নুংঙাইনা হীংজহৌনবা লম্বী অমা শেম্বীরমদবা য়াদরে।

চীংলেম্বা :- ঐখোয় ময়াম তান্নরগা করি করিনো তৌবা হায়বদুনি, মানা পাল্লিবনা করিনো হায়বদুসু খঙদোকপা তারেদনা (বজার য়ৌশিল্লকপগী গাড়ী মখোল, মীনিল লাংবা হেনগৎলকপা)।

লাংলেনসনা :- এ! বজারদা তিল্লিবা মীয়ামসিদি ওন্থোক্না য়াল্লেদা, গাড়ী ময়ামসিনা ওন্থোক্না য়াল্লিবা।

লৈরিকমচা :- ইমাদি ইতোমতা বজার চৎপগসে গাড়ীনা থেংবিরমগদরা কীদুনা সুংচৎপু চৎতরেদা।

চীংলেম্বা :- মফম অসিদসু ইয়র পোল্লুসন, নোইস পুল্লুসনগী চাং অসি নোংমা নোংমগী ৱাংখৎলক্লবোরে। এ ! বজারসিদা পৈশিল্লিবা অমোৎপা ময়ামসিদি !

ইবোপিশক :- সিনিদনা ইবুংঙো চাওখৎলকপা, নুংঙাইরকপগী খুদম হায়বদো... ইহে য়ুমদি য়ৌবু য়ৌশিল্লকএ।

লৈরিকমচা :- য়ুমদা ফজনা পোত্থারগা করি করি তৌসিগে হায়বদু খন্নরসি।

লাংলেনসনা :- হোয় ইমা, য়ুম য়ৌরকপসিদি পুক্নিং খঙনুং নুংশিরকই, অঙাং ওইরিঙৈগী হৌখ্রগা থৌদোক ময়াম নিংশিংলকই।

ইবোপিশক :- লাকও লাকও ইমুংদা চংঙসি লাকও।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাং, ইবোপিশক্কী য়ুম, ময়াম চাক চানা চানা ৱারী শান্নবা)

তোম্পোক :- ইচে ! ঐখোয় সুমাইনা পুন্না ফমমিন্নদুনা চাক চামীন্নবা ফংলক্তবসে কুইরেকো। ঙসিদি পুক্নিংসে য়াম্না নুংশি, অঙাং ওইরিঙৈদা ইচিল-ইপ্পা লাক্লা লাক্লদুনা চামীন্নখিবদু খঙনিং নিংশিংলকই।

লাংলেনসনা :- তোম্পোক পুন্সি হায়বসি অসিনি, ঙসি ওইরম্বা মওং অদু হয়েং অমুক হল্লকউ য়াদবনি, মতমগী খোঙচৎ মতুংইন্না ঐখোয়সু চৎপা তাবনি।

চীংলেম্বা :- করিনো নচিন-নৌপ্পা পুক্নিং নৌথনরকইসিবো, শারেং থোংবদুদুম খরা হাপথরকউ, ওন্থোক্লসু হাওখরে ঙসিগী শারেং থোংবসে। ঐখোয় ইমাসে চাক এঞ্জাং থোংবদি হৈবজাৎনিকো, হাওতবা অমতা হেক য়াওদে।

লাংলেনসনা :- সে সিদগী হেক্তা লৌবিরো। ঐদি সোইবুম ইরোনবসিনা হেন্না হাওই, কুইনা চারক্তদনা তৌবা মাল্লে, কাংশোইসিসু হাওই য়াম্না।

লৈরিকমচা :- ইমানা পীজনিংনা থোংবনি অদুনা হাওরি ওইরিনি।

ইবোপিশক :- ইচাশা চাকপুদি চারি, ময়াম সুমাইনা পুন্না চামিন থকমিন্নরিঙৈসিদা ৱা খরা অমুক্তা তান্নহৌরসি।

লাংলেনসনা :- বাবা ! ঐখোয় তোম্পোক্কী ৱাফমদুগী মতাংদা ওইরবরা?

ইবোপিশক :- উম মানি, তোম্পোক ! নচেগা নবাইগদা নঙনা পান্নিবা নিংলিবশিংদু লোয়না হায়হৌরো তান্নহৌরো।

লৈরিকমচা :- ইচাশা নপাগা ঐগসু অহল ওইশিল্লক্লে অদুনা নখোয় নখোয়গী হীংনবা লম্বী, তুং কোইনা চৎনহৌবা য়াবা থবক থৌরমশিং নাখৈ শেংনা তৌবীরল্লগে খল্লে।

চীংলেম্বা :- তোম্পোক নঙনা তৌনিংলিবা, পাংথোক্নিংলিবা থবকশিং অদুবু করিনোনে।

| | | |
|---|---|---|
| তোম্পোক | :- | ইবাই ! ঐখোয়গী লোয়ালমদা লৈরিবা লৌফমশিং অসি লৌসু ফজনা উনদ্রবনিনা অরেম্বদা লমহাং ওইদুনা লৈদৌ শরুক ব্রিক ফার্ম ওন্থোক্লসি, চেক্কোন ওইরসি হায়বনিদা। ফজনা মায় পাক্লা তৌরবদি ইনকমসু যাম্না ফজনা লাক্কনি। হৌজিক হৌজিক ঐখোয়গী লমসিদা চেক্কী দিমান্দ যাম্না লৈরবনি, মীওই খুদিংমক চেক্কী য়ুম অচৌ অচৌবা শান্নরক্লবনিনা। |
| লাংলেনসনা | :- | নঙগী ৰাখলদু লাল্লিদি হায়রোই ইচেনা, নঙনা থবক তৌনিংবা পোল্লক্লিবসি যাম্না ফৈ অদুবু তোম্পোক চেক্কোন অমদা চেক শাবা মতমদা থাদোরক্লিবা উফুল-ৰাইফুল, ফৎত্রবা অমোৎপা পোৎচাকশিং হায়বদি পার্টিকুলেট মেটরশিং (PM), ফোশিল ফ্যুলশিং মরুওইনা কয়লা মৈ থাবা মতমদা থাদোরক্লিবা কার্বোন ডাইওক্সাইদ অমদি গ্রিন হাউস গ্যাসশিং অসিনা এটমোস্ফিয়ারদা তিনশিনখিদুনা ইয়র পোল্লুসন থোকহনলক্লিবা, অইং-অশাগী খলদা চাওনা অকায়বা কয়া পীরক্লিবশিং অমদি ঐখোয় মীওইবগী হকশেলদা অমাংবা কয়া থোকহনলক্লিবশিং অসিসু খন্থবা চুম্মী। |
| চীংলেম্বা | :- | হৌজিক ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা চেক্কোন কয়া অমসু হান্নদগী লৈজরে অদুনা তোম্পোক নঙনা ব্রিক ফার্ম তৌগে হায়রিবসি ইবাইদি কয়া পামদে, মসি নৎতবা ইনভাইরোনমেন্টতসু শোকহন্দবা ঐখোয় মীওইবগী হকশেলদসু কান্নবা পীবা, ইনকমসু অদুমক ফজনা লাক্কদবা বাইও দাইবর্সিটি পার্ক অমা ওইনা শেমগৎ শাগৎনিংঙি। |
| ইবোপিশক | :- | হোয়নে মদুনবু হেন্না ফৈনে, হৌজিক মালেমসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোকহনলক্লিবা অসিদগী খরদা ওইরবসু হন্থহন্নবা উপাই ওইনিনে। |
| লৈরিকমচা | :- | বাইও দাইবর্সিটি হায়রিবসিবু করিনো, করম হায়না বাইও দাইবর্সিটি পার্ক শেমগৎকদৌরিবনো? |
| লাংলেনসনা | :- | ইমা ! বাইও দাইবর্সিটি হায়বসি থৰায় পানবা মখল পুম্নমকশিং হায়বদি পাম্বী মখল পুম্নমক, শা-ঙা, অপিকপা জীবশিং লোয়নমক অসি বাইও দাইবর্সিটি হায়রিবা অসিগী মনুং চল্লিবনি। |
| চীংলেম্বা | :- | ঐখোয়গী অহাংবা লৌবুকশিং অসিদা ইরমদম অসিগী মহৌশাগী লৈজরক্লবা উ-পাম্বী মখলশিং, হৈ-লৈ মখল পুম্নমক থাগনি, অচৌ অচৌবা পুখ্রিশিং তৌগনি, পুখ্রিশিং অদুদা থরো-থম্বাল, ঈশিংদা হৌবা পাম্বী মখল কয়া অমসু থাগনি, ঙা-মখল কয়াসু পুখ্রিশিংদুদা য়োক্কনি। |
| ইবোপিশক | :- | উচেক মখল কয়া অমসুং য়োকপা য়াগনি, ঐখোয়গী মাংখ্রগদবা পাম্বী মখলশিং, হিদাক কান্নবা পাম্বী মখলশিংসু থাবা য়াগনি। |
| তোম্পোক | :- | হায়রিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা শেমগৎলকপদদি মতম যাম্না চংগনি। |
| লাংলেনসনা | :- | মতম খরদি চংগনি অদুবু ঐখোয়না থাগদৌরিবা পাম্বীশিং অসিনা মপুং মরৈ ফারক্লবা মতমদদি ঐখোয়গী অকোয়বগী মহৌশাগী ফীভমদা চাওনা কান্নবা পীগদৌরিবনি। |

| | | |
|---|---|---|
| চীংলেন্বা | :- | লম হেক্তর অমদা হৌরিবা উপান্বীশিংনা চহি অমদা চাওরাক্লা কার্বোন ডাইওক্সাইদ টন মঙারোম চুপশিনবা ঙম্মী। ঐখোয় মীওইবগী থবক থৌরম কয়াদগী থাদোরক্লিবা কার্বোন ডাইওক্সাইদকী শরুক মরি থোকপগী অমরোমদি উমংশিংদা হৌরিবা উপান্বীশিংনা চুপশিল্লিবনি। |
| তোম্পোক | :- | ইচে-ইবাইহোয়না ফৈ হায়বা, তৌসি হায়বা খুদিংমক ঐ লোয়না যারে। ঙসি মালেমসিদা ঐখোয় মীওইবনা ফোশিল ফ্যুলশিং মরু ওইনা কয়লা মৈ থাবা মতমদা কার্বোন ডাইওক্সাইদকী চাং য়াম্না ৱাংনা থাদোরক্কুনা গ্রিন হাউস গ্যাসকী চাং ৱাংখৎহন্দুনা মালেম অসিগী শাবগী চাং অসি হেনগৎলক্লিবনি হায়বসি খঙনা খঙনা ঐখোয়না থৌশাদবগুম তৌরিবসিগী মহে ঐখোয় মীওইবনা অদুমক ফংজগদৌরিবনি অদুনা ইচে ঐ চেক শাবগী থবক তৌগে খল্লম্বদু তৌররোই। |
| ইবোপিশক | :- | অদুদি ইচাশা ঐখোয়গী লৌফমশিং অসিদা বাইও দাইবর্সিটি পার্ক অমা শেমগৎপা হায়বসি য়ানরেকো। |
| লৈরিকমচা | :- | অফবা থবক তৌবদদি থিন্থবা হৌনদে, হয়েংদগী হেক্তা থবক পায়খৎপা হৌরসি, ঐখোয় পুল্লপ হয়েংমক চৎতুনা লৌফমশিং অদু য়েংশিল্লুরসি। |
| চীংলেন্বা | :- | য়াম্না লুবা ৱাফম অমদি হৌজিক ফাওবা ঐখোয় খন্নদ্রিবা মাল্লে। |
| লাংলেনসনা | :- | করি ৱাফমনো তামো, শেমগৎ শাগৎপদা চংগদবা শেনফমগী ৱারো। |
| চীংলেন্বা | :- | হেরো অদুগী ৱা নৎতেদো। |
| তোম্পোক | :- | অদুদি করি ৱানো ইবাই। |
| চীংলেন্বা | :- | ঐখোয়গী বাইও দাইবর্সিটি পার্ক অসিগী মমিং করি থোনসিগে হায়বদু খন্নদ্রিনে। |
| লৈরিকমচা | :- | অদুক লাইবা ৱাফমদুগী ওইরেকো, নোয়না অদুক লুনা খল্লুরিদুবো। নখোয় ববাগী মমিং লৌরগা ইবোপিশক বাইও দাইবর্সিটি পার্ক হায়না হেক থোল্লগা লোইরবদুবো। |
| ইবোপিশক | :- | ঙায়খো ঙায়খো, ঐ ৱা হায়গে, ঐখোয়গী লৌফমশিং অসি ঐখোয়গী ইপু-পুরেল চীংশাংলাকপনা য়াম্না ৱানা হোৎনজদুনা লেপশিনজরম্বনি হায়না ঐবু পোকপা ইপানা তাকপীরম্মী অদুনা ইপুগী মীং লৌদুনা চীংশাংলাকপা বাইও দাইবর্সিটি পার্ক হায়না থোল্লসি। |
| লৈরিকমচা | :- | হোয়নে ঐদি খনবু খল্লুদে, চীংশাং লাকপা বাইও দাইবর্সিটি পার্ক হায়না থোনবনা হেন্না চান্নরনি, ইপুগী মফমদা ইকাইখুম্নবা উৎপা ওইনা। |
| ময়াম | :- | চীংশাং লাকপা বাইও দাইবর্সিটি পার্ক। |

-ম্যুজিক-